# সিজফায়র দিল লাউথোকপদগী নাগোরনো-করাবাখতা রসিয়ন ক্রুপশিং দিপ্লোই তৌখ্রে, শোয়বদগী রসিয়ন হেলিকোপ্টর কাপথখ্রে



মোস্কো, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী) : অজরবাইজান অমসুং ইথনিক অর্মেনিয়ন ফোর্সশিংগী মরক্তা চয়োল তরুক চুপ্পা শোক্নরকখিবা লান লোইশিন্নবগী সিজফায়র দিল অমগী মতুংইন্না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা রসিয়াগী পিছকিপ্পিং ক্রুপশিং চাংগী এনক্লেভ নাগোরনো-করাবাখতা দিপ্লোই তৌখ্রে।

দিল অদুগী মখাদা অজরবাইজাননা এনক্লেভ অদুগী অনীশুবা সিটি শুশা য়াওনা লান মনুংদা খুদুম চনখিবা লমশিং মখা তানা পায়খিগনি। ইথনিক অর্মেনিয়নশিংনা হৌজিক্তগী দিসেম্বর ১ ফাওবগী মনুংদা অতৈ লম খরসু থাদোক্কদবনি।

অনৌবা খোঙথাং অসিগী মতাংদা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা হায়খি, এরেঞ্জমেন্ট অসিনা মীওই লিশীং কয়া শিহনখ্রবা, অতৈ লিশীং কয়ানা ময়ূম মকৈ থাদোকহনখ্রবা অমসুং লমদম অপুন্বদুবু লান থোকহল্লকপা য়াবগী অকিবা পোকহল্লিবা কনফ্লিক্ট অমগী তুং কোয়না চৎনগদবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগী লম্বী ফাৎলগনি।

সিজফায়র অদুবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা অজরবাইজানগী কেপিটেল বাকুদা মীয়াম্না কার অমসুং বসশিং হোর্ন খোঙদুনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লখি। হরাও মথোই কারবা মীয়াম্না অজরবাইজানগী ফিরাল হাইখি।

তৌইগুম্বসুং অর্মেনিয়াগী কেপিটেল য়েরেভানদদি দিল অদু লাউথোকখিবা মতুংদা ঈরাং থোক্লকখি। দিল অদুবু মীয়ামগী থাজবা মাঙহনবগী থৌওংনি হায়রদুনা মীয়াম্না অহিংগী মতমদা গভর্ণমেন্ট বিল্ডিংশিংদা থোমজিন্দুনা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখি। মীওই কয়ানা প্রাইম মিনিষ্টর নিকোল পাশিনয়ান মফম থাদোকউ হায়না দিমান্দ তৌখি।

পিছ দিল অদু মহাক্কী আর্মিগী মায়কৈদগী প্রেসর পীরকপদগী খূৎয়েক পীনখিবনি হায়না পাশিনয়াননা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখি। আর্মিনসু নাগোরনো-করাবাখতা মিলিটরি এক্সন লেপ্লে অমদি মরা তপ্পা ফীভমদা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

দিল অদুগী মখাদা রসিয়ন পিছকিপ্পরশিং য়ামদ্রবদা চহী মঙা লৈদুনা লমদম অদুদা মোস্কোগী মিলিটরি থৌরাংশিং হেন্না পাকথোক চাউথোক্লগনি। রসিয়ন ক্রুপশিং নাগোরনো-করাবাখকী ফ্রন্টলাইন অমসুং লমদম অদুগা অর্মেনিয়াগগী মরক্তা লৈরিবা কোরিদোর অমদা দিপ্লোই তৌগনি হায়না পুটিন্না ফোঙদোকখি।

নাগোরনো-করাবাখ রিজনগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী মতুংইন্না ইনৌ নৌনা লান্মী ৮১ শিখিবগা লোয়ননা সেপ্টেম্বর ২৭তগী শোক্নরকখিবা লান অদুদা হৌজিক ফাওবদা মিলিটরি পর্সনেল ১,৩০২ শিখ্রে।

চৈরকসিদা, অর্মেনিয়াগা লোন্নবা বোর্দর মনাক্তা রসিয়ন এম আই-২৪ মিলিটরি হেলিকোপ্টর অমা শোয়বদগী কাপথখিবগীদমক্তা অজরবাইজাননা এপোলোজাইজ তৌখ্রে। থৌদোক অদুদা রসিয়ন সর্ভিসমেন অনী শিখি হায়রি।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী থৌদোক অদু শোয়বদগী থোকখিবনি, রসিয়ন সাইদকী মায়োক্তা অতন্নবা চৎখিবা নত্তে। শোয়খিবা অদুগীদমক্তা বাকুনা চান্নবা কম্পেন্সেসন পীনবা শেম শারে হায়না অজরবাইজানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

# মোত চান্নরক্তবদগী ত্রম্পনা দিফেন্স সেক্রেটরি মফম লৌথোকখ্রে

ৱাশিংটন, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী) : য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা মহাক্কী দিফেন্স সেক্রেটরি মার্ক এস্পর মফম লৌথোক্লে হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। মীখলদা মায়থীবা নংলবা মতুং অসিদা মহাক্না ওফিস পায়বগী অরোইবা থা খরা অসি মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন মনুংগী মোত চানদবা মীওইশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎলকপা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ অমনি হায়রি।

ইস্যু কয়াগী মতাংদা ত্রম্পকা এস্পরগা মোত খেন্নরকখি। মরু ওইনা মিনিএপোলিসতা পুলিসনা হৌখিবা কালেনগী মতমদা জোজ ফ্লোয়েদ কৌবা ব্লেক অমা হাৎখিবা মতুংদা কাঙলূপ নাইবগী থৌওংশিংগী মায়োক্তা লম্বীদা প্রোটেষ্ট তৌখিবশিংবু এক্টিভ দ্যুটিগী মিলিটরি ফোর্সশিং শীজিন্নদুনা নমথগনি হায়না ত্রম্পনা কিহনখিবদা এস্পরনা মদুবু ইফোং ফোংনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখিবগী মতাংদা ত্রম্পনা শাউখি।

দিফেন্স সেক্রেটরি মফম লৌথোকপগী খোঙথাং অসিদা রিয়েক্ট তৌরদুনা হায়খি, ত্রম্পকী খোঙথাং অসিনা অমেরিকাগী মায়োক্তা লৈবশিংদা খুদোংথিনীংঙাই ওইবা মেসেজ অমা পীবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট-ইলেক্ট জো বাইদেননা ওফিস পায়নবা শেম শারক্লিঁঙৈসিদা মওং মরীল তাবা ত্রাঞ্জিসন লাক্লররোইদ্রা হায়বগী চিংনবা পোকহল্লে।

মার্ক এস্পর মফম লৌথোক্লবা ৱারেপ লৌরে হায়না প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখিবা মতুং পুং অমরোমগী মনুংদা ক্রিষ্টোফর মিল্লর পেন্টাগোন্দা থুংলখি। সেক্রেটরি এস্পরবু খঙহৌদনা মফম লৌথোক্লিবসি প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা ওফিস পায়বগী অরোইবা মতম অসি ঐখোয়গী অমেরিকান দিমোক্রেসি অমসুং মালেমদা কাং খোং চাইবগী ফীভম লাকহন্নবা শিনবদা শীজিন্নগনি হায়বগী নুংঙাইতনীংঙাই ওইরবা ইভিদেন্সনি হায়না হাওস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভকী স্পিকর নেন্সি পেলোসিনা ফোঙদোকখি।

হাওস আর্মদ সর্ভিসেস কম্মিটি লুচিংলিবা দোমোক্রেট অমা ওইরিবা রিপ্রজেন্টেটিভ অদাম স্মিথনা ত্রম্পকী ৱারেপ অদুগী ৱাখল মপূং ফাদবা অঙাংগী ৱাখলনি অমসুং অঙম অরাই খঙদবগী মতৌনি হায়না ফোঙদোকখি।

ত্রম্পনা ত্বিটর পোষ্ট অমদা নেসনল কাউন্টরটেররিজম সেন্টরগী দিরেক্টর ক্রিষ্টোফর মিল্লরনা এক্টিং সেক্রেটরি ওফ দিফেন্স ওইরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মার্ক এস্পর মফম লৌথোক্লে, মিল্লরনা খুদক্তা এক্টিং সেক্রেটরি ওইরগনি হায়নসু ত্রম্পনা ফোঙদোকখি। মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা য়ু এস দিফেন্স ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি হ্বাই হাওসকী চীফ ওফ ষ্টাফ মার্ক মিদোসনা মাঙজৌননা ফোন তৌদুনা ত্রম্পনা মহাকপু ত্বিটরগী খূত্থাংদা মফম লৌথোক্কদৌরে হায়না খঙহনখি।



# ম্যান্মারগী ওং সান সু চি পার্লিয়ামেন্টরি সিট ফংখ্রে

য়াঙ্গোন, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী): হন্দক্তা পাঙথোকখিবা জেনরেল ইলেক্সন্দা ম্যান্মারগী রুলিং নেসনল লিগ ফোর দিমোক্রেসি (এন এল দি) গী চ্যেরপর্সন ওং সান সু চিনা মায় পাক্নুা মথংগী পার্লিয়ামেন্টকীদমক্তা হাওস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভস (লৱার হাওস) কী সিট অমা ফংখ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়ুনিয়ন ইলেক্সন কম্মিসন (য়ু ঈ সী) না ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক ম্যান্মারগী ষ্টেট কাউন্সেলর ওইরিবা সু চিনা য়াঙ্গোনগী কাৱমহু কন্সটিট্যুএন্সিদা য়ুনিয়ন সোলিদরিটি এন্দ দিভলপমেন্ট পার্টি (য়ু এস দি পি), য়ুনিয়ন বেট্টরমেন্ট পার্টি, য়ুনাইটেদ নেসনেলিটিজ লিগ ফোর দিমোক্রেসি, ফালোন-সাৱাও দেমোক্রেটিক পার্টি অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট রন্নর অমগা লম্বা তৌনখি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা রুলিং এন এল দি পার্টিগী কেন্দিদেট ১,১০৬ অমসুং য়ু এস দি পিগী ১,০৮৯ য়াওনা পূন্না কেন্দিদেট ৫,৬৩৯ না পার্লিয়ামেন্ট সিট ১,১১৭কীদমক্তা লম্বা তৌনখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক ফাওবদা লেভেল অহুমদা রিপ্রজেন্টেটিভ ৪৭ মায় পাকখি। এন এল দিনা লৱার হাওসকী ১২, হাওস ওফ নেসনেলিটিজ (অপ্পর হাওস) কী নিপান অমসুং রিজনেল নৎত্রগা পার্লিয়ামেন্টশিংগী ২৪ য়াওনা পার্লিয়ামেন্টরি সিট ৪৪ ফংখি। য়ু ঈ দিনা লাউথোকখিবা রিজল্টকী মতুংইন্না য়ু এস দি পিনা হৌজিক ফাওবদা সিট অহুম ফংখ্রে। সিট অমনা লৱার হাওসকীনি অদুগা সিট অনীনা রিজনেল নৎত্রগা ষ্টেট পার্লিয়ামেন্টশিংগীনি।

কুমজা ২০১২গী বাই ইলেক্সন অমসুং কুমজা ২০১৫গী জেনরেল ইলেক্সন্দা নোবেল পিছ প্রাইজ ফংখ্রবা মশাগী চহী ৭৫ শুরবা সু চিনা কাৱমহু টাউনসিপ্তা লৱার হাওসকী সিট অমা কন্টেষ্ট তৌখি।

কুমজা ২০১৫গী নবেম্বর ৮দা পাঙথোকখিবা মমাঙগী জেনরেল ইলেক্সন্দা এন এল দিনা পার্লিয়ামেন্টকী সিট অয়াম্বা ফংদুনা কুমজা ২০১৬তগী গভর্ণমেন্ট চলাইরকখি।

কুমজা ২০২০গী জেনরেল ইলেক্সন অসি লৈবাক অসিগী কুমজা ২০০৮গী কন্সটিট্যুএন্সিগী মখাদা পাঙথোকপা অহুমশুবা ইলেক্সননি।

# মীখলগী রিজল্ট নুংঙাইত্রগা ঈ ভি এমদা তাইনবা লেপ্নবা হায়খ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী): বিহারগী এসেমব্লি ইলেক্সনদা গ্রান্দ এলাইএন্সকী রিজল্ট হান্না থাজনখিবগী ওন্ন-তৈনবদা লাকপগীদমক্তা কোংগ্রেসকী লুচিংবা উদিট রাজনা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) শিংদা মরাল থংজিনবদু কোংগ্রেসকী এম পি কার্টি চিদম্বরমনা হায়খ্রে মদুদি মীখলদা মায়থীবা নংলগা ঈ ভি এমশিংদা তাইনরোইদবনি হায়খ্রে।

মীখলগী রিজল্ট ওইনীংবা ওইজরবসু হৌজিক ঈ ভি এমদা তাইনবা লেপ্নগী মতম ওইরে। ঈ ভি এম হায়বসি য়াম্না কনবা, চপ চানা চুম্বা অমসুং থাজনীংঙাই ওইবা মেছিননি হায়না চিদম্বরমনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

মসিগী মমাঙদা কোংগ্রেসকী স্পোক্সপর্সন উদিট রাজনা হায়খি মদুদি স্পেসসিপশিং ফাওবা গ্রাউন্দদগী কন্ট্রোল তৌবা য়ারবনিনা ঈ ভি এমসু হেক তৌবা য়াগনি। এগজিট পোলনা পীবা রিজল্টশিং উবদা কোংগ্রেসনা হরাউখি। তৌইগুম্বসুং মীখলগী রিজল্ট লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লাউথোকপা হৌরকপদগী পার্টি অসিগী লুচিংবশিংনা ঈ ভি এমদা মরাল থংজিনখি।

ইলেক্সন কম্মিসন্না ক্লেমশিং অসিবু য়াখিদবগা লোয়ননা ঈ ভি এমশিং খূৎ চংবা ঙম্লোইদবা মেছিনশিংনি অমসুং মখোয়গী ক্বালিটি চাং তানীংঙাই ওইদে হায়খি। অহানবদা গ্রান্দ এলাইএন্সনা মাঙজিল থানা চৎখি। অদুবু মতুং তারকপদা বি জে পিনা সিট মশীং খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা পার্টিনি অমসুং কোংগ্রেসনা য়াম্না লাপ্না মরিশুবদা লৈ হায়বসি ময়েক শেংলকখি।

বি জে পি অমসুং পার্টি অসিগী মীচং জে দি য়ুগী মরু ওইবা লম্বা ওইরিবা আর জে দিনা সিট ৬২দা মাঙজিল থাবগা লোয়ননা গ্রান্দ এলাইএন্সনা সিট মশীং ১০০ য়ৌরকখি। অমরোমদা কোংগ্রেসনা শুপ্নগী সিট ১৯ ফংদুনা মরিশুবদা লৈখি। অরিবা পার্টি অসিগী মথংদা লেফকী পার্টনর অহুমনা সিট ১৯দা মাঙজিল থাখি। সী পি আই- এম এলনা সিট ১৩দা অমসুং সী পি আই অমদি সী পি আই-এম না সিট অহুম অহুমদা মাঙজিল থাখি।

# মফিয়া দোন দাৱুদ ইব্রাহিমগী প্রোপর্টিশিং ওক্সন তৌখ্রে

মুম্বাই, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী): হৌজিক ফাওবা ফাবা ঙমদনা লৈরিবা মফিয়া দোন দাৱুদ ইব্রাহিমগী মহারাষ্ট্রগী বটনগিরিদা লৈবা য়ূম-কৈ, ইঙ্খোলনচিংবা প্রোপর্টি ৬ স্মগ্লর্স এন্দ ফোরেন এক্সচেঞ্জ মেনিপ্যুলেটর্স (ফোর্ফিচর ওফ প্রোপর্টি) এক্ট (এস এ এফ ঈ এম এ) গী মখাদা ওক্সন তৌখ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

সিল্ড টেন্দরশিং কৌদুনা ওনলাইন অমসুং ওফলাইন্দা পাঙথোকখিবা ওক্সন অদুদা মায় পাকখিবা বিদ্দরশিংগী মনুংদা উকিল অজয় শ্রিবাস্তাবা অমসুং সুপ্রিম কোর্টকী উকিল ভুপেন্দ্র য়াওরি। প্রোপর্টি অয়াম্বা ফীভম ফত্তবা খরা য়াওনা কাস্করগী ইমুং হৌরকখিবা খেদ সব দিষ্ট্রিক্ট রতনাগিরিগী মনুং চনবা মুম্বাকে ভিলেজদা লৈবা লমদা শাবা বিল্ডিং মচাশিংনি।

# নিটিশ কুমারগী মখাদা গভর্ণমেন্ট শেম্নগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখ্রে

পটনা, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী): বিহারদা নিটিশ কুমারগী লিচিং মখাদা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়না জে দি য়ু অমসুং বি জে পি শৌগৎপশিংনা ক্লেম তৌরি।

জে দি য়ুগী স্পোক্সপর্সন সঞ্জয় সিংহনা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয় নিটিশ কুমারগী লিচিং মখাদা থবক তৌবা দিসিপ্লিন লৈবা পার্টি অমনি। মহাক্না বিহারবু চাওখৎপগী লম্বীদা লাকহনখি। মীখলগী রিজল্টশিং ঐখোয়গী অপাম্বা মওংদা লাক্কনি হায়বসি ঐখোয়না খঙই। হৌজিক ফাওবদা লাক্লিবসি ঐখোয়না পাল্লিবশিং অদুনি।

জে দি য়ু শৌগৎপা কাঙবু অমা পটনাদা লৈবা পার্টিগী ওফিসতা মখোয়গী মহৌশাগী ওইবা ঈশৈ-নোংমাইগী ইন্সত্রুমেন্টশিং পুদুনা চৎপা উখি। মখোয়না নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা নিটিশ কুমারবু থাগৎচবা ঈশৈ অমা শকখি। জে দি য়ু অমসুং বি জে পিগী ৱার্কর কয়া মখোয় মখোয়গী পার্টিশিংগী ওফিসশিংদা পুন্দুনা লৈনসি অদুবু সিনিয়র লিদরশিংদি হেন্না ময়েক শেংবা শক্তম অমা লাকপা ঙাইখি।

চৈরকসিদা, বি জে পিনা লুচিংবা নেসনল দেমোক্রেটিক এলাইএন্স (এন দি এ) না চাউনা মায় পাক্নুা বিহারদা গভর্ণমেন্ট শেম্নগনি হায়না ৱেষ্ট বেঙ্গোল ভারতিয়া জনতা পার্টিগী প্রসিদেন্ট দিলিপ ঘোসনা জলপাইগুরিগী খোঙচৎ অমদা ফোঙদোকখ্রে।

# এ পি এস সীনা রিক্রুটমেন্ট এগজাম কেন্সেল তৌখ্রে

গুৱাহাটি, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী): চাইল্ড দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট ওফিসর (সী দি পি ও) গী ফম লৌবগী রিক্রুটমেন্ট এগজামিনেসনগা মরী লৈননা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ওপস্নেল সেবজেক্ট সোসল ৱার্ক্সকী এগজামিনেসন অসাম পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন (এ পি এস সী) না কেন্সেল তৌখ্রে।

সোসল ৱার্ক্সকী ক্বেসন পেপরদা সবজেক্ট অসি নত্তবা সোসিওলোজিগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং য়াওরে হায়দুনা কেন্দিদেটশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখিবনি। কেন্দিদেটশিংনা ইস্যু অসি পুখৎলকপদগী কম্মিসনা মদুবু খুদক্তা রিভিয়ু তৌনবা ৱারেপ লৌখি।

সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈবা সী দি পি ও অমসুং এলাইদ কাদরশিংগী ফমশিং লৌবগী রিক্রুটমেন্ট এগজামিনেসনগা মরী লৈননা সোসল ৱার্ক্স হায়বা ওপস্নেল সবজেক্ট থাখিবা কেন্দিদেটশিংনা পুখৎলকখিবা ইস্যুশিং কম্মিসন্না য়েংশিল্লবা মতুংদা শুপ্নগী নবেম্বর ৮দা পাঙথোকখিবা সবজেক্ট অসিগী এগজামিনেসন কেন্সেল তৌরগা সবজেক্ট অসিখক্তগমক ইনৌ নৌনা এগজাম তৌনবা ৱারেপ লৌরে হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা কম্মিসনা ওর্দর অমা ফোঙদোকখি।

ৱারেপ অসিনা সোসল ৱার্ক্স নত্তবাঅতৈ ওপস্নেল সবজেক্টশিং থাখিবা কেন্দিদেটশিংদা শোকহনগদবা লৈতে হায়না পল্লদুনা ওর্দর অদুনা মখা তানা হায়, নৌনা লেপ্পা তারিখ, মতম অমসুং মফম কোন্না খঙহল্লক্কনি।

# ইজরেল্লি এয়রলাইননা বহরেন্দা দাইরেক্ট ফ্লাইট লৈরগনি লাউথোকখ্রে

টেল অভিভ, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী): ইজরেলগী ইসরএয়রনা বহরেন্দা দাইরেক্ট পেসেঞ্জর ফ্লাইটশিং ওপরেট তৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। মসিগা লোয়ননা ইসরএয়রনা লৈবাক অনীগী মরক্তা রেগ্যুলর দাইরেক্ট রুট লৈহল্লগনি হায়না লাউথোকপা ইজরেলগী অহানবা এয়রলাইন ওইরে।

লৈবাক অনীনা হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা মহৌশাগী মরী মপূং ফানা থম্নবগী ৱাফম য়ানখ্রবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাক্লিবনি।

এয়রলাইন অসিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি মদুদি টেল অভিভকী ৱাংমদা লৈবা বেন গুরিওন ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী কেপিটেল মনামাগী মনাক্তা লৈবা বহরেন ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট ফাওবা পাইবদা পুং অনী মখায় চঙগনি।

অহানবা তাঙ্কক্কী কুমজা ২০১১গী জন্যুৱারী ৩১দগী হৌগদবা অনৌবা রুট অসিদা চয়োলগী ওইবা ফ্লাইট অনী য়াওগনি। সাউদি অরবিয়ানা হৌখিবা সেপ্টেম্বরগী অঙনবা শরুক্তা ইজরেলগী প্লেনশিং লৈবাক অসিগী এয়রস্পেস লান্না পাইবা য়াহল্লগনি হায়না লাউথোকখিবদগী দাইরেক্ট ফ্লাইটশিং থম্বা য়ারকখিবনি। হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা ইসরএয়রনা ইজরেলগা মহৌশাগী ওইবা মরী থম্নবগী এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখ্রবা য়ুনাইটেদ আরব এমিরেটসতসু দাইরেক্ট ওইনা পেসেঞ্জর ফ্লাইটশিং ওপরেট তৌরগনি হায়না লাউথোকখি।

হৌখিবা থাদনা ইজরেলগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা এয়রলাইন ওইরিবা অর্কিয়ানা দুবাইদা দাইরেক্ট ফ্লাইট সর্ভিসশিং লৈরগনি হায়না লাউথোকখি। সর্ভিস অদু কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী ৩দগী হৌগদবনি।

# মীখলদা অরান অহুই তৌখি হায়বা ৱাফমশিংগী মতাংদা থিজিন্নবা খঙহনখ্রে

ৱাশিংটন, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী): হন্দক্তা পাঙথোকখিবা য়ু এসকী প্রসিদেন্টকী মীখলদা অরান অহুই কয়া তৌখি হায়বা মরাল শীবা ৱাফমশিংগী মতাংদা থিজিন্নবা য়ু এসকী এটোর্নি জেনরেল ৱিলিয়ম বারনা প্রোসিক্যুটরশিংদা খঙহনখ্রে।

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা মীখল অসিদা মহাক্কী দেমোক্রেটিক রাইভেল অমসুং প্রসিদেন্ট ইলেক্ট জো বাইদেননা মায় পাক্লেহায়বসি য়াদবদগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা খোঙথাং অসি লাকখিবনি। মায় পাকপদা তঙাইফদ্রিবা ইলেক্টরেল কোলেজগী ভোট২৭০দগী হেন্দোরকখিবগা লোয়ননা জো বাইদেনবু নবেম্বর ৩গী মীখল অদুদা মায় পাক্লবা কেন্দিদেট ওইনা প্রোজেক্ট তৌখি।

মেমো অমদা বারনা ফেদরেল প্রোসিক্যুটরশিংদা মীখলগী সার্টিফিকেট পীদ্রিঙৈগী মমাঙদা মখোয় মখোয়গী জুরিসদিক্সনশিংদা ভোট থাদবা অমসুং ভোটকী টেব্যুলেসন শেম্বগা মরী লৈননা অচৌবা মরাল শীবা ৱাফমশিংগী মতাংদা থিজিন্নবগী অয়াবা পীখি। অরান অহুই কয়া তৌখি হায়বগী থাজনীংঙাই ওইবা অশেংবা মরাল শীবা ৱাফমশিং লৈরবদি অসিগুম্বা ইনক্বাইরিশিং অমসুং রিভিয়ুশিং পাঙথোকপা য়াই। থিজিনবদা হায়রিবা ৱাফমশিংদু অচুম্বা ওইরম্বা তারবদি ষ্টেট অমগী ফেদরেল ইলেক্সনগী রিজল্টতা অহোংবা লাকহনবসু য়াই হায়না মহাক্না মখা তাখি। থাজবা য়াবা এলিগেসনশিং মতম চানা অমসুং নিংথিনা য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না পল্লদুনা বারনা হায়খি মদুদি, থিজিনবগী থবক্তা দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা চেকশিন্না থবক তৌবা অমসুং ফজবা অমদি মীচং মীখাই নাইদবগী মতৌ উৎপা হায়বসিসু য়াম্না মরু ওই।

শেংনা ফোঙদোরকপা অরুবা মরাল শীবা ৱাফমশিং য়াম্না চেকশিন্না য়েংশিনগদবা ওইরবসু ৱাখলনা পংশা শাগৎপা নৎত্রগা মরম চাদবা ক্লেমশিংনা ফেদরেল ইনক্বাইরিশিং চথনবগী মরমদি ওইহল্লোইদবনি। এটোর্নি জেনরেল বারনা ৱাফম অসি লাউথোরকখিবা মতুংদা অসিগুম্বা ইনভেষ্টিগেসনশিং য়েংশিনগদবা জষ্টিস দিপার্টমেন্টকী সিনিয়র ওফিসল রিচার্দ পিলজর মফম থাদোকখ্রে হায়না বি বি সীনা ফোঙদোকখি।


## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST : LAMSANG

**Ref :- Mutation case no. 365/SDC/IW-L/2020**

Ningthoujam Shyamton Singh S/o (L) Poto Singh of Koutruk. - Petitioner

-Vrs-

Late Ningthoujam Poto Singh S/o (L) Tarpan Singh of Koutruk. - OP/Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

The 10-11-2020

U/S 46(3) MLR & LR Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার নিংথৌজম পোতো সিংহ, পীং মৃ: তর্পন সিংহ, সাং কৌত্রুককী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৭-কৌত্রুকগী অনৌবা পাট্টা নং ১০২/১৫১, দাগ নং ৬১/৬২ অমসুং এরিয়ানা ০.৭৬০০৪ অমসুং ০.৬৬০০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
Imphal West, Lamsang

HL-P/8021/11

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : NINGTHOUKHONG

**Ref :- Mutation Case No. 215/SDC/NTK/2020**

Irengbam Naobi Devi W/o Late I. Ibochouba Singh of Ningthoukhong - Petitioner

-Vs-

Late Irengbam Ibochouba Singh S/o. Late Irengbam Ibopishak Singh of Ningthoukhong Kha. - Opponent

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Ningthoukhong, the 22nd Oct., 2020

নোটিস অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 44-Ningthoukhong Village গী Patta no. 44/7810 (O) 35/2588 (N) C.S. Dag no. 3169 an Area 0.0375 acre of Ingkhol class অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (পিটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ১৭-১১-২০২০ ইংগী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

HL-P/8019/11 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector,** Ningthoukhong

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

**Ref :- Mutation Case No. 315/SDC/SWG of 2020**

Parties :

Kangujam Jitesh Singh S/o (L) Jugeshore Singh of Kongba Kshetri Leikai. - Petitioner

-Vrs-

Late Pattadar :

Kangujam Jugeshore Singh S/o (L) Gopal Singh of Kongba Kshetri Leikai. - Opposite Parties

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Sawombung, the 10th November, 2020

Under section 46 (3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিল খুল নং ৭১-লাইকোত পাট্টা নং ১৩৩ (অরিবা) ৩৮৫/১৭২৬ (অনৌবা) দাগ নং ১২১০/১৫৭৬ মোট এরিয়া ১.১৯ একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার কাংঙুজম জুগেশ্বোর সিংহ অসি মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কক্লগা মহাক্কী মমিংদা নমা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭(তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অইবা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East

HL-P/8022/11

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : NINGTHOUKHONG

**Ref :- Mutation Case No. 202/SDC/NTK/2020**

Nongmaithem Subita Devi W/o (L) N. Jadu of Nachou Mayai Mamang Leikai. - Petitioner

-Vs-

Late Nongmaithem Jadu Singh S/o (L) Maimu Singh of Nachou Mayai Mamang Leikai. - Opponent

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Ningthoukhong, the 6th Oct., 2020

নোটিস অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 41-Nachou Village গী Patta no. 103 (O) 155 (N) C.S. Dag no. 1245 an Area 0.50 acre of Ingkhol class অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (পিটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ১৭-১১-২০২০ ইংগী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

HL-P/8019/11 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector,** Ningthoukhong

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref :- Mut. Case No. 1013 of 2020**

1. Nameirakpam Ibomcha Singh S/o (L) N. Gokul Singh of Nambol Kongkham Awang Leikai.
2. -do- (O) Indrani Devi W/o N. Ibomcha Singh of -do-
(Share of applicant No. 1 & 2 get 0.24 acre)
3. -do- Manikanta Singh S/o (L) Mani Singh of -do-
4. -do- (O) Nandarani Devi W/o N. Manikanta Singh of -do-
(Share of No. 3 & 4 get 0.13 acre) -Applicants

-Vrs-

(L) Nameirakpam Gokul Singh S/o (L) Toyaima Singh of Kongkham -O.P.Pattadar

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

23/10/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নম্বর ২১-কোংখামগী পাট্টা নম্বর ১৮৮ (অনৌবা) দাগ নম্বর ৫০৬ এরিয়া একর ০.৩৭ চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মাগী/মাগী শরুক মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

HL-P/8023/11 **Sd/- Sub-Deputy Collector,** Nambol

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / লায়েংজরি

**UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

*উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং*

***(অঙৌবা পকপা)***
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

***(তাং-তাং চিকপা)***
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

***(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)***
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হস্থরক্কনি। ফম্বী চাং হস্থরককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোম্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

***(নুংশং)***
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

***(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)***
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্না নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

***নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু***

***(নুপাগী প্রোব্লেম)***
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোম্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

***(নুপীগী প্রোব্লেম)***
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

***(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)***
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হস্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

***(শমগী প্রোব্লেম)***
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking.**

HL-B/6498/03/11-02/12